## নুমীৎ ২নিগী কথক উসব পাঙথোক্কনি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৪ (ঐচ এন এস): কথক কেন্দ্র ন্যু দিল্লি অমসুং জৱাহরলাল নেহরু মণিপুর দান্স একাদেমি (জে এন এম দি এ) অনীনা পুন্না শীন্দুনা নুমিৎ ২নিগী ওইবা কথক উসব থা অসিগী ৫ অমসুং ৬কী নুংথিল পুং ৪.৩০ তাবদা পেলেস কম্পাউন্দা লৈবা মণিপুর ফিল্ম দিভলপমেন্ট সোসাসটিদা পাঙথোক্কনি হায়রি।

কথক উসব অদু হৌদোকপগী থৌরমদা জে এন এম দি এগী চ্যেরমেনসু ওইরিবা মণিপুরগী গভর্নর ডা. নজমা হেপ্তুল্লানা চীফ গেষ্ট ওইগনি। কথক কেন্দ্র এ সীগী চ্যেরমেন কমলিনি অস্থানা, জে এন এম দি এগী এ সী ভাইস চ্যেরমেন ঐচ তোম্বী অমসুং জে এন এম দি এগী দিরেক্টর অমদি কথক কেন্দ্রগী দিরেক্টরসু শরুক য়াগনি হায়রি।

অহৌবা নুমিত্তা গুরু মালতি শ্যামনা কোরিওগ্রাফর ওইবা কথক কেন্দ্রগী মহৈরোয়শিংনা পাঙথোকপা কথক দান্স, গুরু রাজেন্দ্রকুমার গঙ্গারানিনা কোরিওগ্রাফর ওইবা কথক কেন্দ্রগী মহৈরোয়শিংনা পাঙথোকপা কথক দান্স অমসুং গুরু রাজেন্দ্রকুমার গঙ্গারানিগী সোলো রিসাইটেল মীয়ামদা খুদোল তমগনি হায়রি।

অমরোমদা, দান্স ট্রেনিং প্রোগ্রাম অমসুং যোগগা লোয়নবা জগোইগা মরী লৈনবা ৱার্কশোপসু পাঙথোক্কনি হায়রি। মেম্বর ১৭না শাবা মহৈরোয় ১৫ অমসুং ওফিসল অনী য়াওবা কথক কেন্দ্রগী টিম অমনা হৌখিবা নবেম্বর ৩০দগী থা অসিগী ৮ ফাওবা সঙ্গীত নাটক একাদেমি ন্যু দিল্লি অমসুং জে এন এম দি এ অমসুং কথক কেন্দ্রনা শীন্দুনা একাদেমি অসিদা পাঙথোক্লি।

ট্রেনিং প্রোগ্রাম অসিগী মনুংদা মণিপুরী দান্স অমসুং ম্যুজিক্কী মরমদা তমগনি অমদি মণিপুরগী মহৈরোয়শিংনা কথক্কী মরমদা তমগনি হায়রি। নুমিৎ ৩নিগী ওইবা রিলেসন্স ৱিথ দান্স এন্দ যোগসু শক্নাইরবা কথক দান্সরশিং কমলিনি অস্থানা অমসুং নলিনি অস্থানানা থা অসিগী ৫দগী ৭ ফাওবা অয়ুক পুং ৮.৩০দগী ১১ ফাওবা নুমিৎ খূদিংগী জে এন এম দি এগী প্রিয়োগোপালসনা ওদিটো-রিয়মদা পাঙথোক্কনি হায়রি।

ৱার্কশোপ অসিদা জগোইগা যোগগা মরী লৈনরিবশিং অদু জগোই শাবীশিংদা খঙহন্নবগী ৱাখল লৌশিং পীনবগী পান্দমদা পাঙথোকপনি হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

## শাবা লোইশিনবীয়ু

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৪ (ঐচ এন এস): থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুংদা লৈবা লিলোং প্রাইমারী হেল্থ সেন্টর (পি ঐচ সী) ওইরিবা বিল্ডিং অসিগী ফীভম ফত্তবনা ষ্টাফ অমদি অনাবশিংদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নহল্লে।

পি ঐচ সী অসি নোংমদা পুং ২৪ মথৌ পাঙথোকপগা লোয়ননা দেলিভরিগী খুদোংচাবা ফংলিবা এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সী মরিগী তায়নফম লিলোং কৈথেলগী মনাক্তা লৈবা মরম্না লায়েংবা লাকপা মীগী মশীংসু হেনগৎলক্লি। মরম অদুনা পি ঐচ সী অসি অপগ্রেদ তৌবীয়ু অমসুং অথুবা মতমদা নৌনা শাগৎলিবা বিল্ডিং অসি শাবা লোইবিয়ু হায়না হোস্পিটাল দিভলপমেন্ট এন্দ কন্সট্রক্সননা ফোঙদোক্লি।

## লুপ শেমখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৪ (ঐচ এন এস): প্রোগ্রেসিব কম্পোজর হায়না মিংথোনবা মণিপুরদা লৈরিবা ম্যুজিক কম্পোজরশিং অমদি ম্যুজিক লভরশিংগী ওইবা লূপ অমা হৌখিবা নবেম্বর ৩০দা এম দি য়ু হোলদা ফমখিবা ম্যুজিক কম্পোজরশিংগী মীফমদা শেমখ্রে। লূপ অসিগী থৌপুবা ওইনা আর কে বিরেন্দ্রজিৎপু প্রসিদেন্ট, নোংথোম্বম জৱাহরলালবু ভাইস প্রসিদেন্ট, নাওরেম জিতেন্দ্রকুমারবু জেনরেল সেক্রেটরি অমদি বিসো চনম্বমবু ফাইনান্স সেক্রেটরি ওইনা খনখ্রে হায়রি।

## ট্রেনিং হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৪ (ঐচ এন এস): নোর্থ ইষ্ট রিজন কম্যুনিটি এন্দ রিসোর্ছ মেনেজমেন্ট প্রোজেক্ট চুড়াচান্দপুর অমসুং সী এ য়ু ইম্ফালগী দিপার্টমেন্ট ওফ এনিমেল সাইন্সেস, কোলেজ ওফ এগ্রীকচলরনা শীন্দুনা নুমিৎ ২নি চুপ্পা চথুগদবা স্কিল দিভলপমেন্ট ফোর পোল্ট্রি পার্মিং ইন মণিপুর ঙসি সী এ য়ুগী কোলেজ ওফ এগ্রীকলচরগী কনফরেন্স হোলদা হৌদোকখ্রে।

থৌরম অদুদা সী এ য়ুগী দিরেক্টর ওফ রিসার্ছ ডা. সী এ শ্রীনিভাশাহ মুর্থিনা চীফ গেষ্ট, ডা. জে এম লাইশ্রম দিন কোলেজ ওফ এগ্রীকলচরনা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি।

ট্রেনিং প্রোগ্রাম অদুগী ওর্গনাইজরসু ওইরিবা এনিমেল সাইন্স দিপার্টমেন্টকী হেদ ডা. টি ঐচ রনাধিরনা হায়খি, পোল্ট্রি ফার্মিং হায়বসি ষ্টেট অসিগী পোটেন্সিএল সেক্টর ওইরিবনি। মসিনা ন্যুত্রিসনেল সিক্যুরিটি অমদি ফার্মশিংবু থবক পীদুনা শেম্থোক লৈহল্লি।

# মহৈরোয়শিং স্কুল কাবা অমদি কুম্বগী মতম শেমদোকপগী তঙাইফদবা লৈরে : দেসাম

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৪(ঐচ এন এস): মণিপুরগী লম্বীশিং ট্রাফিক জাম ওইবা ট্রাফিক্কী ভেল্যুম হেনগৎলকপনা ওইরক্লিবা ফীভম অসি য়েংলগা স্কুলগী মহৈরোয়শিংগী টাইম সেদ্যুল অসি তঙাইফদনা খরদং হোংদোকপা মথৌ তারে হায়না দেমোক্রেটিক ষ্টুদেন্টস এলাইন্স ওফ মণিপুর (দেসাম)না ফোঙদোরক্লি।

দেসামগী সেক্রেটরি পব্লিসিটি এন্দ প্রোপেগন্দা এল লময়ানবা মীতৈনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, হৌজিক হৌজিক মণিপুরগী লম্বীগী ট্রাফিক জাম অমদি ট্রাফিক্কী ভোল্যুম হেনগৎলক্লপনা মরম ওইদুনা স্কুল তল্লিবা মহৈরোয়শিংদা অচৌবা খুদোংচাদবা অমা মায়োক্নহল্লি। মসিনা মীয়ামদা অপনবা, অৱাবা পীবদনা নত্তনা এক্সিদেন্ট থোকপগী চাং হেনগৎলক্লি।

স্কুলগী ভেন সার্বিস তৌরিবশিংনা পীক্লিবা অঙাংশিংবু স্কুল মতমদগী য়াম্না ঙন্না লৌখৎপা অদুগা মফম কয়ামরুমদা অঙাংশিং লৌখৎলগা স্কুল ফাওবা অঙাং থিল্লকপগী অমসুং য়ুমদা অহুম থিল্লকপগী থৌওংশিংনা অঙাংশিংদা খমথেংনা অৱাবা পীরে। ভেনশিংদা অঙাং মশীং হেন্না হাপচিনবদগী থোরক্লিবা থৌওংশিং অসিসু হোংদোকপা মথৌ তারে হায়রি।

হৌজিক মতমদা মহৈরোয়শিং স্কুল চৎপগী থবক অসি খোঙনা অমদি সাইকলনা চৎনখিদ্রে। অনকপা, অরাপ্পা স্কুল ওইরবসু ভেন নৎত্রগা বসতা স্কুল চৎপগী থৌওং চথরক্লি। মণিপুর লৈঙাক্কী ইমপ্লোয়ীশিং অমদি অতৈ ইমপ্লোয়ীশিংনা ওফিস কারকপা মতাংগা চপ মান্ননা লৈরি। মরম অদুনা অয়ুক পুং ৯দগী ১০ অসিদি খ্বাইদগী চাউবা ট্রাফিক জাম থোক্লি।

লোয়ননা নুংথিল পুং ৩দগী ৪ ফাওবা ট্রাফিক জাম থোক্লি। অসিগুম্বা ফীভম অসিদা খরমখৈ ট্রাফিক্কী ভোল্যুম অসি হন্থহন্নবগীদমক স্কুল টাইমিং অসি হৌজিক চৎরিবা অসিদগী পুঙ্খায় অমরোম ঙনখৎনা হৌরবদি থেংনরিবা খুদোংচাদবা অসি চাউনা হন্থহনবা ঙমগনি। মরম অদুনা অসিগুম্বা থৌরাং অসি স্কুলগী ওথোরিটিশিং অমদি মণিপুর লৈঙাক্না পায়খৎপা মথৌ তারে।

হৌজিক স্কুলগী মহৈরোয়শিং মরুওইনা পীক্লিবা অঙাংশিংদা খ্বাইদগী চাউনা অৱাবা পীরিবা অমনা ভেনশিংদা অঙাং মশীং য়াম্না হাপচিনবগী থৌওং অসিনি। ভেন সার্বিস তৌরিবশিংনা পীক্লিবা অঙাংশিংবু স্কুল টাইমিংদগী য়াম্না ঙনখৎনা য়ুমদগী লৌখৎলি। অদুগা লৈকায়, খুল্লক মফম কয়ামরুমদা মতম শাংনা অঙাংশিং লৌখৎলুরবা মতুংদা স্কুলদা য়ৌরকপদা চোকথহল্লি। অঙাংশিংদা য়ুমদা থিল্লকপা মতমদা মসিগা চপ মান্নবা থৌওং ওইরি। মসিনা অঙাংশিংগী মশা ফৎহন্দবদা নত্তনা অঙাংশিং কানিংদে, স্কুল চৎনিংদবগী নিংঙাই তৌই।

স্কুল চৎপা হায়বসি অকিবা, অৱাবা পোৎলুম অমা ওইহল্লি। স্কুল ওথোরিটিনসু লুম্নবা লাইরিকশিং য়াওবা বেগশিং অঙাংশিংদা পুহল্লি। চহী মতাং অমদি অঙাংশিংগী ব্রেনগা চান্নদবা হোম ৱার্ক অমদি এসাইনমেন্ট কয়া পীশিল্লি। অসিগুম্বা থৌওংশিং অসিনা মেন্টেল প্রোব্লেম, সাইকিয়াট্রিক প্রোব্লেম লৈহল্লকখি। থৌওংশিং অসি মণিপুরগী চাইল্ড রাইট কম্মিসন্না খুন্দক্তগী য়েংশিন্দুনা লৈঙাক্তা রিপোর্ট অমা পীখৎফম থোকই। লৈঙাক্নসু রুল, পোলিসি, গাইদ লাইন অমা খুদক্তগী শেনফম থোক্লে হায়রি।

দেসামনা স্কুল ওথোরিটি অমদি লৈঙাক্তা থল্লিবা ৱাফমদি প্রি-প্রাইমারী অমদি প্রাইমারী থাক্কী স্কুলশিংদা তল্লিবা মহৈরোয়শিং অসি মখোয়গী স্কুল অমদি ক্লাসশিং অদুগী ইনফ্রাষ্ট্রকচরনচিংবা অসি শাফবা ওইদ্রে। তম্বীরবা কাঙলোনশিংদা লুজদবা কয়া য়াওরি। মশক নাইবা স্কুল খরদদি অঙাং মশীং হেন্না লৌশিল্লগা মোর্নিং, ইভিনিং সেসন খাইদোক্তুনা পীক্লিবা কাশিংদা নমশিন্দুনা লাইরিক তম্বীরি। অঙাংশিং অসিগী টোইলেট অমদি প্লে গ্রাউন্দনচিংবা মতিক চানা লৈতে হায়রি।

করিগুম্বা স্কুল কারগদি বিল্ডিং মথোল অহুম/মরি ৱাংমদা স্কুল ক্লাসরুম ওইনা চথরি। অসিগুম্বা স্কুলশিং অসিদা লৌরিবা এদমিসন ফি অমদি থাগী ফিসু কা হেন্না ৱাংখৎলক্লি। অদুগা স্কুলশিং অসিগী ভেন সার্বিসশিংসু থাগী ফি কা হেন্না ৱাংখৎলক্লি। প্রি-প্রাইমারী অমদি প্রাইমারী থাক্কী অঙাংশিংগী ওইনদি হপ্তা অমদা নুমীৎ ৫নি লাইরিক তম্বগী মতম ওইরি।

অদুবু ট্যুসন ফি অমদি ভেন ফিদদি হোলিদে ওইবা নুমিৎশিং অসিগী হন্থবা/ককথবা তৌদে। অসিগুম্বা থৌওংশিং অসিনা শেম্থোক লৈজদবা লমদম অসিগী মীয়ামদদি খমথেংনা অৱাবা চৈথেং পীদুনা লৈরি। হীরম অসিদা মরী লৈনবা পূম্নমক্কী পূক্নিং চিংশিল্লক্লি।

# লৈঙাক্কী স্কুল অমা চহী ৩ ওজা অমফাওবা কারমদ্রে: য়ু এম এ পি ও

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৪ (ঐচ এন এস): ইম্ফাল ইষ্টকী জেদ ঈ ও জোন-২, থৌবালগী মখাদা লৈবা গভর্ণমেন্ট স্কুল অমা চহী ৩ ওজা অমফাওবা লাক্নমদনা লৈরম্লে হায়না য়ুনাইটেদ মীতৈ এন্দ পাঙল ওর্গনাইজেসন (য়ু এম এ পি ও)না ফোঙদোরক্লি।

য়ু এম এ পি ওগী জেনরেল সেক্রেটরি টি ঐচ জেমস মীতৈনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, ওর্গনাইজেসন অসিগী মশীং য়াম্লবা থৌমী কয়ানা লৈঙাক্কী স্কুলশিংদা চঙশিল্লকপা খোঙজং অমা ওইনা ইম্ফাল ইষ্ট জেদ ঈ ও জোন-২, থৌবাল অমসুং জোন-৩গী মখাদা লৈরিবা লৈঙাক্কী স্কুল ১৬তা খোঙজং চঙশিনখ্রে।

খোঙজং অদুদা য়াইরিপোক টুলিহল ময়াই লৈকায় প্রাইমারী স্কুলদা চহী ৩ ওজা অমফাওবা লাক্নমদনা লৈরম্লে। অদুবু স্কুল অসিগী হেদমষ্টরগী মমিংনা এম দি শরাবি কৌই হায়রি। জেদ ঈ ও জোন-২ স্কুলগী দি আই অমসুং হেদমষ্টর অসিগী মথক্তা ওর্গনাইজেসন অসিনা মীৎয়েং চঙলগনি অমসুং অসিগুম্বা শেঙ্গা থুমজাগী খুৎপু ওইরিবা এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টকী ওফিসলশিং অমদি ষ্টাফশিং অসিগী মথক্তা ষ্টেট লৈঙাক্না চৈরাক পীবা মতম ওইরে হায়রি।

এদ্যুকেসন (এস)কী দিরেক্টর মোরেল গ্রাউন্দদা ফম থাদোকউ, ইশাগী ইথৌ মশক খঙদনা লৈরগা করি করম্বা এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টকী স্কুলশিংদা চাউখৎপা পুরক্কদগে হায়না চেরোল অসিনা হংলক্লি।

ফোঙনা লুৎ তৌরম্বা ওফিসলশিং ষ্টেট লৈঙাক্না অথুবা মতমদা সী বি আইদা শিন্নগদবনি লোয়ননা অচুম্বা পুথোক্কদবনি। স্কুল অমসুং কোলেজ কয়াদা লৈঙাক্কী শেনফম মৎলিবা অসিগুম্বা খুৎপু কয়া লৈরে হায়বসি ওর্গনাইজেসন অসিনা খঙলে। অদুবু ষ্টেট লৈঙাক্না লোগী ওইবা থবক লৌখত্তবনা তৌনিংবা তৌরগা মতম শাংনা লৈরম্বনা ঙসিদি মণিপুর লৈঙাক্কী এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্ট লৈখা তারক্লি হায়না মরাল শীরক্লি।

এদ্যুকেসন মিনিষ্টর টি ঐচ রাধেশ্যামনা ওজা অমা/অনী সস্পেন্দ তৌরগা মণিপুরগী এদ্যুকেসন সেক্টরশিং ফগৎহনবা ওইথোক্লোই হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

ওর্গনাইজেসন অসিনা খোঙজং চঙশিনখিবা গভর্ণমেন্টকী স্কুলশিং অদুদি থৌবাল মোইজিং, য়াইরিপোক ৱাঙ্খেম, অন্দ্রো, য়াইরিপোক মায়কৈ অহুম অসিদা লৈরিবা লৈঙাক্কী স্কুলশিংদি স্কুল বিল্ডিং কন্সট্রক্সনগী ফীভম শোক্লগা লৈরম্লে। অথুবদা মরী লৈনবশিংনা মীৎয়েং চঙদুনা বিল্ডিং কন্সট্রক্সন শেমগৎকদবনি হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

লৈঙাক্কী স্কুলশিংগী চাকথুং ওইরিবা মিদ-দে-মিল থা ৬ চুপ্পা অনৌবা বি জে পিনা লূচিংবা লৈঙাক্না চেঙ পীথোক্তনা থল্লিবা অসি করিগীনো হায়নসু হংলক্লি। লৈঙাক্কী স্কুল, কোলেজশিংগী অমোৎপা কয়া মরী লৈনবা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টকী এদ্যুকেসন মিনিষ্টরদা ওর্গনাইজেসন অসিনা খঙহনখ্রে হায়না চেরোল অসিনা মখা তারক্লি।

এদ্যুকেসন সেক্টরদা লেপ্পা লৈতনা মহৈরোয়শিংগীদমক কথোকপগা লোয়ননা ওর্গনাইজেসন অসিনা চঙশিল্লক্লিবা খোঙজং অসিদা মোরেল সপ্পোর্ট তৌবিরকপগী তৌবীমল খঙবা উৎচরি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

# সী আর পি এফনা মোংশাঙ্গৈদা লৈবা পি ঐচ এস সী অমদি অয়ুশ হোস্পিটাল শেংখ্রে



ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৪ (ঐচ এন এস): স্বাছতা হি সেবা কেম্প্যেনগী শরুক অমা ওইনা সী আর পি এফকী মণিপুর নাগালেন্দ সেক্টরগী আই জি পিগী মীৎয়েং মখাদা ১০৯ বট্টালিয়ন সী আর পি এফনা শীন্দুনা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা মোংশাঙ্গৈদা লৈবা প্রাইমারী হেল্থ সব-সেন্টর (পি ঐচ এস সী) অমসুং অয়ুশ হোস্পিটালদা লু-নানবগী দ্রাইব ঙসি চথুখ্রে।

লু-নানবগী দ্রাইব অদু প্রাইমারী হেল্থ সব-সেন্টর অমসুং অয়ুশ হোস্পিটালগী অকোয়ববু লু-নান্না থম্নবগী পান্দমদা কেম্প্যেন অদু চথুখিবনি। কেম্প্যেন অদু ১০৯ বট্টালিয়ন সী আর পি এফকী কম্মান্দেন্ট বিনোদকুমারগী মীৎয়েং মখাদা পি ঐচ এস সী মোংশাঙ্গৈগী মেদিকেল ওফিসার ডা. টি ঐচ সনাহলসু শরুক য়াদুনা পাঙথোকখি।

লু-নানবগী দ্রাইব অদুদা ১০৯ বট্টালিয় সী আর পি এফকী পার্সনেল ১০০ অমসুং পি ঐচ এস সী অমদি অয়ুশ হোস্পিটালগী ষ্টাফশিং শরুক য়াখি।

দ্রাইব মদুংদা পি ঐচ এস সী অমসুং মিরা পব্লিক স্কুল তাবা লম্বী অমদি হোস্পিটালগী শরুকশিং লু-নান্না শেংবগী থবক চথুখি। ডা. টি ঐচ সনাহল চীফ মেদিকেল ওফিসার পি ঐচ এস সী মোংশাঙ্গৈ অমদি ষ্টাফশিংনা ১০৯ বট্টালিয়ন সী আর পি এফনা মফম অদুদা চথুখিবা লু-নানবগী থবক থৌওং অদুগীদমক্তা থাগৎপা ফোঙদোকখি হায়না বট্টালিয়ন অসিগী কম্মান্দেন্টনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

## এক্সপোজর ভিজিট

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৪ (ঐচ এন এস): নেসনল বী বোর্দকী মখাদা অরিয়া গ্রাম উদ্যোগ সন্থাননা শীন্দুনা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী ওইনাম কৈথেলদা থা অসিগী ৩০দগী হৌরগা নুমিৎ ৭নি চুপ্পা চথুগদবা ষ্টেট ট্রেনিং ওন সাইন্টিফিক বী কিপ্পিং ফোর দি ফার্মর্স/বী কিপ্পরকী শরুক অমা ওইনা ঙসি লৈমরামদা এক্সপোজর ভিজিট চৎখ্রে।

অরিয়া গ্রাম উদ্যোগ সন্থানগী সী ঈ ও গোগেন্দ্র পুর্নিয়ানা লূচিংদুনা এক্সপোজর ভিজিট অদু লৈমরামদা লৈবা লৈচোনবম চাওবগী য়ুমদা চৎখি।

চহী ৩০ হেন্না হয়িং খোই য়োকপনা শিনফম ওইরক্লবা লোইচোনবম চাওবনা ফোঙদোরকপদা হৌজিক খোই উপু ১০ মায় পাক্লা য়োক্লি অমসুং থা ৩ খূদিংগী লুপা লীশিং ৫০দি লেপ্তুনা তান্দুনা লাক্লি।

গোগেন্দ্র পুর্নিয়ানা হায়খি, চাওবগুম্না মায় পাক্লা খোই য়োকপা মীওই অমসুং শিনফম অসিবু পামজবশিংদা অনৌবা টেক্নোলোজিগী লৌশিং পীরগা খোইহিগী পোত্থোক হেন্না পুথোক্তুনা শেল হেন্না তানবা ঙম্নবা ট্রেনিং প্রোগ্রাম অসি পাঙথোকপনি। এক্সপোজর ভিজিট অদুদা শরুক য়াখিবা ট্রেনিশিংদসু অখঙ-অহৈ কয়ানা সাইন্টিফিক ওইবা মওংদা খোই লোয়বগী মরমদা ৱা ঙাঙখি হায়রি।

# কবুই সলাং মাইবা নীংশিং থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৪ (ঐচ এন এস): কবুই ধর্ম্ম সভা মণিপুরনা শীন্দুনা চহী খূদিংগী পাঙথোকপগুম কবুই সলাং মাইবা নীংশিং থৌরম ঙরাং নুংথিল পুং ১ তাবদা চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী লোক্তাক প্রোজেক্টকী কোকদান কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

কবুই সলাং মাইবা অমসুং খম্বা-থোইবী হায়বা হীরমদা মীৎয়েং থমদুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা দি এল কবুই প্রসিদেন্ট কবুই ধর্ম্ম সভা মণিপুরনা প্রসিদেন্ট ওইখি অমদি কোকদান খুলগী খুল্লাকপা দি নমশাচুং কবুইনা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখি।

চীফ গেষ্টকী ৱারোল পীরদুনা দি নমশাচুং কবুইনা হায়খি, খম্বা-থোইবী হায়রগা মীয়াম্না খঙনরিবা মোইরাং কংলৈরোলদা কবুই সলাং মাইবগী থৌদাং য়াম্না চাউই। থোইবী মশুংলাংগীদমক খম্বা শামু খোঙয়েৎখি। খম্বগী থৱায় মাঙবা তারবদা কবুই সলাং মাইবনা খম্বনা শোকখিবা মফম খোরি কৈথেলদা থৱায় মি কৌবগী থৌরম পাঙথোক্তুনা খম্বগী থৱায় কনখি অমদি হৌজিক ফাওবা হায়রিবা থৌরম অদু কবুইশিংনা কভম লামৈ হায়না খঙনরি।

প্রসিদেন্টকী ৱারোলদা দি এল কবুইনা হায়খি, কবুই ফুরুপ অসি মণিপুরগী মৈহৌরোলদগী লৈরক্লবা অশেংবা ওরিজিনেল ট্রাইব অমনি হায়বসিমদি য়েৎনিংঙাই ওইদ্রবা, ককপা য়ারোইদবা ৱাফমনি। মসিগী চপ চাবা খুদম চাংদম হায়ববু কবুই ফুরুপকী অরিবা ৱারীশিং, মতিক ময়াই লৈরবা লাইগী খুভমশিং, কবুইনা খুদারম্বগী লেংদ্রবা খুদম চাংদমশিং অসিনা ময়েক শেংনা তাকই। মোইরাং কংলৈরোলদা খম্বা-থোইবীগী ৱারী অসিদা কবুই সলাং মাইবনা লৌরিবা থৌদাং অসিনসু হেন্না ময়েক শেংনা তাক্লি। ওইনামদা কবুই সলাংগী মাইবগী অকংবা চৈশুনা উ ওইনা হৌখিবা উশক খঙদবী খুভম অসিসু পনবা য়াই।

খম্বা-থোইবী জগোইগী মতাংদা পল্লদুনা মহাক্না হায়খি, জগোই অসি মালেমদা মমিং চৎলি অমসুং জগোই অসিগী হৌরকফম শোয়দনা লৈফম থোকই। থোইবীনা শারিবা জগোইনা মোইরাং জগোইনি অমদি খম্বনা শারিবা জগোইনা কবুই জগোই। কবুই জগোইগী থাঙ পায়রগা শাবনি অদুবু খম্বদি থাঙ য়াওদনা মোইরাং জগোইগী তান চপ চানা শাবা কবুই জগোইনি।

থৌরম অদু হৌদ্রিঙৈগী মাঙওইননা মোইরাং থাজিংদা হৈকৎ-লৈকৎ তম্বগী থৌরম অমসু পাঙথোকখি অমদি মোইরাং নিংথৌদা খুদোলপোৎ পীবগী থৌরম অমসু পাঙথোকখি হায়রি।

## লৈঙাক্না য়েংশিনবীয়ু

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৪ (ঐচ এন এস): মাইনোরিটি এন্দ অর্দর বেকৱার্দ ক্লাসেস (এম ও বি সী) দিপার্টমেন্টকী মখাদা গ্রান্ট ইন এইদ ফংদুনা লৈরিবা ৱাকফ বোর্দ মণিপুরনা পায়খৎপা স্কিমশিংগী মনুং চল্লিবা মদ্রাসা মোদর্নাইজেসনগী মতাংদা য়েংশিল্লুবদা অশোয়বা কয়া থেংনরে অমসুং এক্সন লৌখৎপীনবা হায়জবসু লৈখ্রে হায়না য়ুনাইটেদ মীতৈ-পাঙল কাউন্সীলনা ফোঙদোরক্লি।

য়ুনাইটেদ মীতৈ-পাঙল কাউন্সীলগী সেক্রেটরি এম দি অস্লম খাননা থোকপা চেরোল অমনা হায়, বি জে পিনা লূচিংবা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনগী লৈঙাক অসিনা থিজিন্দুনা মরাল লৈবশিং এক্সন লৌখৎলক্তবা অসি লাইবক থীবনি। মণিপুরদা য়েলহৌঙৈদগী খুন্দাদুনা লৈরক্লবা মীতৈ পাঙলনা লৈবাক্কী থৌদা কয়াদা শরুক য়াদুনা লাকখি।

হৌখিবা জেনরেল ইলেক্সন্দসু অনৌবা অওনবা মণিপুর লৈঙাক অমা লাকহন্নবগী বি জে পিগী পান্দমদা মীতৈ পাঙলশিংসু থৌদাং লৌখি অমসুং মাইনোরিটিশিংগী মরক্তগী এম এল এ ফাওবা পুথোক্তুনা ঙসি লৈঙাক অসিদা য়াওরিবনি। অদুবু মাইনোরিটি ওইরিবা মীতৈ পাঙলশিংগী ৱাকৎ তাবীদনা লৈরিবা অসি লাইবক থীবনি। ৱাকফ বোর্দ মণিপুরনা পায়খৎলিবা স্কিমগী মনুং চল্লিবা মদ্রাসা মোদর্নাইজেসন স্কিমগী ওজা ১৫০ রেগ্যুলরাইজেসন তৌবীয়ু হায়নসু তকশিল্লক্লি।

## এগজামিনেসন ফী হেনগৎনা লৌবা য়ারোই : এমসু

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৪ (ঐচ এন এস): এগজামিনেসনগী ফোর্ম ফিল-অপকী ফী হেনগৎনা লৌবা য়ারোই হায়না এমসুনা ফোঙদোরক্লি।

ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা রাইট টু এদ্যুকেসন এক্ট, ২০০৯গী ওগষ্ট ৪দা পার্লিয়ামেন্টতা পাস তৌদুনা চহী ৬তগী ১৪ ফাওবগী মনুংদা লৈবা অঙাং খূদিংমক ফ্রী এন্দ কম্পলসরি এদ্যুকেসন ফংহনগদবনি হায়দুনা ঙসি ফাওবা চৎনদুনা লাক্লি।

সর্ব শিক্ষ্য অভিয়ান (এস এস এ)গী মখাদা লৈবা মহৈ-মশিন তল্লিবা মহৈরোয়শিংনা মহৈ তম্বদা চঙগদবা পোৎলমশিং স্কুল য়ুনিফোর্ম, স্কুল বেগ অমদি তম্নবা লাইরিক ফাওবা লেম্না ফংহনবগা লোয়ননা মহৈরোয়শিংবু মিদ-দে-মিল ফাওবা পীজদুনা মপুং ফানা মহৈ-মশিন তম্বা ফংনবা তোঙান তোঙানবা থৌরাংশিং পায়খৎলক্লি।

অমরোমদা, মাইনোরিটি এন্দ অর্দর বেকৱার্দ ক্লাসেস (এম ও বি সী)গী মনুং চনবা এস টি, এস সী, ও বি সীনচিংবগী মহৈরোয়শিংবু মহৈ-মশিন তম্বদা চঙবা শেলগী অৱাবা কোকহন্নবা লৈঙাক্না স্কোলরশিপসু তোঙান তোঙানবা ক্লাসশিংগী পীরি। অদুবু লৈঙাক্না লৌখৎলিবা থৌরাং অসিগী তায়ওন্নবদা হৌখিবা চহী ২/৩ অসিদদি বোসেম অমদি কোসেমনা লৌদুনা পাঙথোক্লিবা ক্লাস টেন অমসুং টুৱেল্বকী এগজামিনেসন অসিগী ফোর্ম ফিল-অপকী মমলদি চহী খূদিংগী হেনগৎলক্লি। লায়রবা মহৈরোয় খুন্নাইনা মহৈ-মশিন তম্বা ঙম্লোইদবা মওংদা হেনগৎলক্তুনা ঙসিদি মহৈরোয় কয়াদি এগজামিনেসন অসি থাবা ফংলরোইদ্রা হায়বগী অকিবা পোকহল্লে। এমসুনা লৈঙাক অসিদা হংনিংলিবদি গভর্ণমেন্টনা এদ্যুকেসন সিষ্টেম অসিদা লায়রবা মহৈরোয় কয়াবু মহৈ-মশিন তম্নবা লৌখৎলিবা খোঙথাং অসি হীরম খরদা চাউনা অহোবা লৈরে হায়বসিনি।

# রাম কৃষ্ণ মিসন স্কুল হোংদোকখো : লুপ



ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৪ (ঐচ এন এস): রাম কৃষ্ণ মিসন প্রাইভেট স্কুল অসি মফম চাবা অমদা হোংদোকপীখো অমসুং হান্না তোন্দোন্সনা স্কুল হায়দুনা লৈরম্বা মফম অসি লেংদনা অদুমক থম্বীয়ু অমদি লৈকায়গী ফুটবোল গ্রাউন্দ ওইহনবীয়ু হায়না তকশিন্দুনা ঙসি কংলৈপাক থৌপাং লূপনা শীন্দুনা উরিপোক লম্বীদা লৈবা শকখিদেবী স্কুলগী মমাঙদা মীয়াম্না ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে।

ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা নহারোল চাউখৎহনবা কাঙলূপ উরিপোক্কী প্রসিদেন্ট শমুরাইলাৎপম প্রহ্লাদনা ফোঙদোকখিবদা, মমাঙ লৈঙাক্কী মতমদা নোটিফিকেসন অমা থোক্তুনা রাম কৃষ্ণ মিসন স্কুল মণিপুরদা থল্লনি হায়দুনা ফোঙদোরকপা মতমদা বেঙ্গলি স্কুল অসিদা হেদ ওফিস ওইগনি হায়খি। লোয়ননা উরিপোক বোইজ হায়না খঙনবা তোন্দোন্সনা স্কুলদা থম্বীগনু, মফম অসি য়াম্না পীকই হায়না ফোঙদোকখি। অতোপ্পা মফম চাবা অমা য়েংবীয়ু হায়নসু তকশিনখি। মদুদসু নত্তনা উরিপোক্তা থমদবা য়াদে হায়রগদি লম্বোইখোংনাংখোংদা তম্বীয়ু হায়জখি।

মীয়াম্না হায়জখিবগী মায়োক্তা ঙসিদি নমদুনা মফম অসিদা থমজিনখ্রে। মরম অদুনা হৌজিক লৈরিবা রাম কৃষ্ণ মিসন প্রাইভেট স্কুল অসি মফম চাদে, হোংদোকপীয়ু হায়না তকশিনবনি।

ꯑꯁꯝ (Meitei Mayek text) POST VACANCY

## SMART SECURITY SERVICE (SSS)

Tera Bazar, Near K.K. Gas opposite - Indian Oil
Imphal West - 01
( A multi-firm service centre)
Branch office ; Paona International Market, Opposite : Sony Show Room.

| SL.NO. | Name of Post | No. of Post | Qualification | Salary |
|---|---|---|---|---|
| 1. | Security Guard (M/F) | 72 | VIII & above | 6000-20000 |
| 2. | Helper/House Keeping (M/F) | 22 | VIII & above | 5000-16000 |
| 3. | Gardener/Mali/Car Washing | 35 | VIII & above | 5000-9000 |
| 4. | Gunman/ Arm Guard | 12 | VIII & above | 7500-22000 |
| 5. | Cook/Chowkidar/Driver | 26 | VIII & above | 6000-16000 |
| 6. | Agents | 6 | XII & above | Negotiable |
| 7. | Security Supervisor | 12 | Ex-Serviceman | 7000-18000 |
| 8. | Tailor master | 2 | 2 yrs Experience | 7000-12000 |
| 9. | Waiter | 12 | VIII & above | 5000-12000 |

- Form Available at Office Hour: 10:00 am to 4:30 pm .
- *Please Contact:* 9402825740/8575358521 (Paona Bazar -8257938748).
- *Last date of Form submission:* 6/12/2017.
- *Date of interview:* 7/12/2017.
- *Facility:* Insurance + Pension + Bonus + Loan facility.

NO ADMISSION CHARGES FOR HELPER

HL-P/4781/5

Sd/- SECRETARY, SSS

**GOVERNMENT OF MANIPUR**
**OFFICE OF THE PRINCIPAL**
**D.M. COLLEGE OF TEACHER EDUCATION, IMPHAL**

**APPOINTMENT NOTICE**

Imphal, the 4th December, 2017

No. 101/1/09-TE: Further to this Appointment Notice of even No. dated 7th September, 2017 regarding the appointment of Guest Faculty, the following posts are lying vacant in the D.M. College of Teacher Education, Imphal due to unavailability of qualified candidates, interview held on 10/09/2017.

| Sl. No. | Subjects | No. of post |
|---|---|---|
| 1. | Education | 01 (one) |
| 2. | English | 02 (two) |

Applications are invited from the intending candidates, who possess minimum qualifications as per UGC and NCTE Rules so as to reach the undersigned latest by 21st December, 2017.

Prescribed application form are available at the Office of the Principal, D.M. College of Teacher Education, Imphal during Office hour from Wednesday, the 6th December, 2017 to 21st December, 2017 by paying a processing fee of Rs. 500/-

Nature of appointment : Guest Faculty
Mode of selection : Walk in interview
Maximum age limit of the applicant : 60 year. Date of interview: 21/12/2017 from 10 a.m. onwards

Monthly remuneration for the above posts will be fixed as per rules of UGC.

Pre requisite Qualification of the above posts is given below:

**Perspective in Education or Foundation Course**

i) Post Graduate degree in Social Sciences with minimum 55% marks and
ii) M.Ed. degree from a recognized university with minimum 55% marks

Or

iii) Post Graduate degree in Education with minimum 55% marks, and
iv) B.Ed./B.El.Ed. degree with minimum 55% marks.

**Curriculum and Pedagogic Courses**

i) Post Graduate degree in Languages with minimum 55% marks and
ii) M.Ed. degree with minim 55% marks.
iii) Any other qualification prescribed by UGC like NET qualification.
i) A relaxation of 5% of marks for the candidates belonging to ST/SC/OBC/PWD for the purpose of eligibility of academic qualification for the said post.

**Desirable**

Practical experience of ICT

* Candidates should bring documents in original at the time of interview.

Sd/- **Dr. H. Ibomcha Sharma**
***Principal,***
D.M. College of Teacher Education, Imphal

HL-P/4780/5